পৌরাবি য়াইফ নহারোল কাঙলুপকী ৩৫শুবা মপোক কুমওন থৌরম কোভিদকী এস ও পি ঙাক্লা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা লূপ অসিগী ফাউন্দর মেম্বরশিংগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখিবা

ৱাংজিং তেন্থা এ সীগী পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ৩৪/৩৭ ফুন্দ্রে ভিলেজদগী হান্না বি জে পি য়াওরম্বা মীওই ২২না কোংগ্রেসতা নৌনা য়াওরকপদা হান্নগী মিনিষ্টর মোইরাংথেম হেমন্তনা তরাম্না ওকখিবা

নার্কোটিক্স এন্দ এফেয়র্স ওফ বোর্দর পুলিস (নাব)কী টিম অমনা চথখিবা অখন্নবা দ্রাইভ অমদা কানি কে জি ১গা কোন্নবা এম জি এভেন্যুদা লৈবা সিটি সেন্টর হোটেলদগী মীওই অনী ফাগৎখিবা

চাকথোং গ্যাসতগী মৈহৌ লাংপোক থোকহন্দনবা লৌখৎকদবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মতাংদা চঙাঙ্গৈ কবুই খুল ভিলেজ ওথোরিটিনা শীন্দুনা চঙাঙ্গৈ কবুই কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা এৱ্যেৰ্নেস কম ট্রেনিং প্রোগ্রাম

লৈঙাক্লা সেপ্টেম্বর ১০ ফাওবগী মনুংদা মশক থোকপা খোঙথাং লৌখৎলক্ত্রবদি অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি : এসোসিএসন

Meetei Mayek TET
Supplementary Successfull Candidates Association
(MEMATESCA)

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্লা মীতৈ ময়েক্কী ওজা লৌগনি হায়দুনা কয়ারক হন্না থাজবা পীখ্রবসু ঙসি ফাওবা থবক্তা ওন্থোরকপা লৈত্রি। হীরমসিগা মরী লৈননা লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ১০ ফাওবগী মনুংদা লৈঙাক্লা মশক থোকপা খোঙথাং লৌখৎলক্ত্রবদি অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না মীতৈ ময়েক টি ঈ টি সপ্লিমেন্টরি সক্সেসফুল কেন্দিদেটস এসোসিএসন (এম ঈ এম এ টি ঈ এস সী এ)গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

হাওবম মরক ইরোম লৈকায়দা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মীতৈ ময়েক টি ঈ টি সপ্লিমেন্টরি সক্সেসফুল কেন্দিদেটস এসোসিএসনগী সেক্রেটরি ওক্রম নন্দনা হায়খি, ইমালোল মণিপুরী অসি ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী ৮শুবা সেদ্যুলদা চনখিবা চহী ৩০ শুরে। মসিগীসু মথক্তা মীতৈ ময়েক চৎনদুনা মহৈরোয়শিং কুমজা ২০০৬তগী তম্না হৌখিবগা লোয়ননা ঙসিদি চহী ১৫ রোম অসি মহৈরোয়শিংনা মীতৈ ময়েক তমদুনা লাকখিবগা লোয়ননা হৌজিক এম এগী অনীশুবা সেমিষ্টর থাক ফাওবা য়ৌরে। ইমালোল অসি ক্লাসিকেল লেংগ্বেজগী থাক্তা য়ৌরবা ফাওবদা মীতৈ ময়েক্কী ওজা অমত্তা লৌদনা লৈরি। মসিগীসু মথক্তা মীতৈ ময়েক অসি লৈবাক অসি করেন্সি নোটতা হাপ্পনবসু তৌরিবনি। ফীভম অসি ফাওবদা ইরোল ইয়েক্কী ওইবা ওজা অমত্তা অখন্নবা লৌবা লৈত্রি।

মহাক্না হায়খি, লৈঙাক্লা থেঙ্খাং অনীরক্তা হায়বদি কুমজা ২০১৩ অমসুং ২০১৬তা মীতৈ ময়েক্কী টি ঈ টি সপ্লিমেন্টরি এগজাম পাঙথোকখিবসু লৈখ্রে। এগজাম অসি এন সী আর টি সীগী নোর্মমখাদা পাঙথোকপনি। কুমজা ২০১৩দা মতমদুগী লৈঙাক্লা অমুক মীতৈ ময়েককী ওজা লৌরগনি হায়রল্লগা লৌখিদ্রে। বি জে পি লৈঙাক অসি লাক্লবা মতুংদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এস রাজেননসু মীতৈ ময়েক্কী ওজা ৮৬৪ লৌগনি। সেন্টরদগী ফন্দ ঙাইরি হায়নসু লাউথোকপীখ্রে। মীতৈ ময়েক্কী টি ঈ টিগী এগজাম অসি মায় পাক্তুনা শাংলবা চহী ৭/৮ অসি ঙাইদুনা লাকখিবা কেন্দিদেটে কয়াদি ঙসি থবক চঙবগী চহী হেনবসু য়াম্না য়াওনরে। লৈঙাক্লা মীতৈ ময়েক্কী ওজা লৌগনি হায়রিবা অসিগী মতাংদা কেবিনেটকী ৱারেপ নৎত্রগা নোটিশ অমা থোক্ত্রিবা ফাওবদি ঐখোয় থাজবা ঙমদে। মীতৈ ময়েক্কী টি ঈ টি ২০১৩ অমসুং ২০১৬গী অখন্নবা পাঙথোকখিবা অসি অতৈ জেনরেল টি ঈ টিগা চাংদম্নবসু য়ারোই। মমাঙদা ৱাকৎ মীফম কয়াসু ফমখিবা লৈখ্রে। হৌখিবা ওগষ্ট ২৩দসু এসোসিএসন অসিনা তাল্লিবা দিমান্দশিং অসি থবক্তা ওন্থোকপীননবা লৈঙাক্কী পূক্লিং চিংশিনখ্রে। অদুবু হৌজিক ফাওবা থবক্তা ওন্থোকপীরক্ত্রি। মরম অদুনা লৈঙাক্লা লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ১০ ফাওবগী মনুংদা মশক থোকপা খোঙথাং পায়খৎপীরক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি। করিগুম্বা লৈঙাক্লা ৱাফম অসি তাবীদ্রবদি মখা তানা মহৈরোয় লূপশিং, সী এস ওশিং অমদি ময়েকপু য়োকখৎনিংবা মীয়ামগা খুৎশম্নদুনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

নেটিভ পিপল কনানো হায়বদু লিষ্ট শেমদুনা মীয়ামদা খঙহল্লু : হাওমি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস): নেটিভ পিপল কনানো হায়বদু লিষ্ট শেমদুনা মীয়ামদা খঙহল্লু হায়না ফেদরেসন ওফ হাওমিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ফেদরেসন ওফ হাওমিগী প্রসিদেন্ট সাপমচা জাদুমনিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুর লৈঙাক্লা আই এল পি মোনিটরিং সেল শেম্ববু ফেদরেসন ওফ হাওমিনা তরাম্না ওকই। কুমজা ২০১৯গী নবেম্বর ১১দা মণিপুরদা আই এল পি চৎননবা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট খুৎয়েক পীখিবা চহী ২ মপুং ফারক্লগনি। অদুবু ঙসি ফাওবা ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টমগী মপুং ওইবা থবক্তি লৈঙাক অসিনা থবক্তা ওন্থোকপা মীয়াম্না উদ্রি। সিষ্টম অসিগী ক্লোজ নম্বর ৭তা পল্লিবা নেটিভ হায়বসি মশক তাক্তনা করম্না নেটিভ পিপল কনগদৌরিবনো। সিষ্টম অসি শুপ্নতগী মপান্দগী ফোংনা চঙলকপা মীওই খক্তগী পাস পীরগা টেক্স খরখক লৌবদুনা আই এল পি সিষ্টম ওইনা লৌবদি লানগনি। সিষ্টম অসিগী মনুংদা নেটিভ পিপলশিংদা পীগদবা কান্নবশিং অদুদি নাথৈদুনা ঙসি ফাওবা থল্লি। মসিমক্না আই এল পি সিষ্টম মণিপুরদা চৎনরগসু নোর্থ ইষ্টতা চৎনরিবা মিজোরাম, অরুনাচল প্রদেশ অমদি নাগালেন্দনা মাগী মাগী নেটিভ পিপলশিংদা পীরিবা খুদোংচাবা অদুদি মণিপুরগী নেটিভ পিপলশিংনা ফংদ্রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, হন্দক মণিপুর লৈঙাক্লা শেল্লিবা আই এল পি মোনিটরিং সেল অসিনা তৌগদৌরিবা মোনিটর অসি করম করম্বা মায়কৈদা তৌগদৌরিবনো হায়বদু মীয়ামদা খঙহনফম থোকই। নাকল অমদা মপান্দগী চঙলক্লিবা অসিদা লোন্না ম্যান্মার অমদি বাংলাদেশতগী চঙলক্লিবশিং অসিদি ফোংনা চঙলকপা নত্তবনিনা করম্বা মওংদা মোনিটর তৌগদৌরি। জি রি অমদি মণিপুরগী মফম কয়াদা বাংলাদেশগী মুস্লিম কয়া লোৎতুনা লমদমসিগী মীওই শাদুনা লৈরম্বদগী ফাখিবা কয়া য়াওখ্রে। অদুগা কয়া অমসু লৈরল্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। ম্যান্মারদগী হাইজিল্লকপা কয়া অমা ঙসি চীংগী মফম কয়া অমদা লৈরিবা অসিসু আই এল পি মোনিটরিং সেল অসিনা কভরেজ তৌগদৌরিব্রা।

মণিপুরদা আই এল পি সিষ্টম অসি ফংননবা হোৎনবদা মীওই কয়া অমা অশোক-অপন নংবদা নত্তনা মীশি-মীনা ফাওবা য়াওনা অকনবা ঈহৌ কয়াদুনা সিষ্টম অসি ফংলকখিবনি। অদুনা মণিপুর লৈঙাক্লা মপুং ফাবা সিষ্টম অমগী কান্নবদু মীয়ামদা পীফম থোকই। নেটিভ পিপল কনানো হায়বদু লিষ্ট শেমদুনা মীয়ামদা খঙহল্লু। আই এল পি সিষ্টম অসিগী মনুংদা য়াওরিবা কান্নবশিং মীয়ামদা ফংহল্লু। মণিপুরদা লোন্না চঙলকপা মীতোপশিং চেক তৌদুনা লোগী ওইবা থবক পায়খৎলু। ম্যান্মার, বাংলাদেশ, নেপালদগী হান্নদগী লৈশিনখ্রবশিং খঙদোক্লগা মরমদমদা হলহনখি। মোনিটর তৌবসি মীয়ামসু মথৌ তবনিনা মীয়ামগা পাউফাওননবা শীল্লু। হায়রিবা ৱাফমশিং অসি মণিপুর লৈঙাক্লা মীয়ামগীদমক থবক্তা ওন্থোকপীরক্কনি হায়বগী থাজবা থমজরি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

অশিবা হকচাং ২ ফংলে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্ব ০৪ (ঐচ এন এস): উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী লিতান পুলিস ষ্টেসনগী মনাক্তা লৈবা লিতান তুরেলদা ঈরোয়দুনা শান্নবদা ঈরাক্লবদগী মীওই অনী লৈখিদ্রে। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওই অনী অদুদি উখ্রুলগী তাঙ্গ্রৈ খুলদগী পি এস খমথিং (২৭) অপোকপা জোনাথন অমদি খুল অসিমক্তদগী তোনিঙম চিথাং (২৩) অপোকপা রুংচুইথিং চিথাং কৌই।

প্রেসনা ফংবা পাউ মতুংইন্না ঙরাং নুংথিল পুং ৪ রোম তাবদা মখোয় মমান্নবা মরি উখ্রুলদগী লাক্লগা লিতান তুরেলদা ঈরুজবদা মীওই অনী ঈরাক্লখি। মখোয়গী মনুংদা পি এস খমথিং শিনা ফংখি। অদুগা তোনিঙম চিথাংনা ঈরাক্লবদগী থিবা খঙদনা লৈরকখিবনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা লিতান পুলিসনা কেস অমা লৌখৎতুনা থিজিনবগা লোয়ননা ঙসি অয়ুক পুং ৮.৩৫ রোম তাবদা থিবা ফংদনা লৈরকখিবা তোনিঙম চিথাংগী হকচাং অদু ফংবা ঙমখি হায়রি। মহাক্না ঈরাক্লখিবা মফম অদুদগী ইরাপ লাপ্পবা মফমদগী ফংবা ঙমখিবনি। মখোয় অনী তুরেলদা ঈরাক্লবদগী থিবা খঙদনা লৈরকপদুদা তাংখুল কম্যুনিটি, মোংকোৎ চেপু য়ুথ ক্লব অমদি কুকি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (কে এস ও) য়াওনা পুন্না থিবা-হুম্বা চথরবা মতুংদা অশিবা হকচাং অনী অদু ফংবা ঙমখিবনি হায়রি।

কানিগা কোন্নবা ২ ফারে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্ব ০৪ (ঐচ এন এস): নার্কোটিক্স এন্দ এফেয়র্স ওফ বোর্দর পুলিস (নাব)কী টিম অমনা কানি কে জি ১গা কোন্নবা মীওই অনী ফারে হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়, চপ চাবা পাউ অমা ফংবদগী ইম্ফালগী এম জি এভেন্যুদা লৈবা সিটি সেন্টর হোটেলদা ময়াই কাবা চীঙাক লল্লোনবা খুৎপু অমা লৈরে হায়বা চপ চাবা পাউ অমা ফংবদগী হৌখিবা শগোলশেল নুমীৎকী নুমীদাং পুং ১১.৩০ রোম তাবদা নাবকী টিম অমনা কানি কে জি ১গা কোন্নবা মীওই অনী ফাখি। কানিগা কোন্নবা ফারবা মীওই অনী অদুদি চেন্নাই দূর নম্বর ৬২, অন্নাই সিভাগানি নগর, সেকেন্দ ষ্ট্রিট ইন্নোরদগী এম কার্থিক (২৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা মুনিসামি অমদি তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী নেপালি বস্তি, তালি লাইন ৱার্দ নম্বর ৫ মোরেদগী অমন বানিক (২৫) অপোকপা দিলিপ বানিক কৌই। মখোয়দগী কানি কে জি ১, লুপা ২০০ য়াওবা ৱাল্লেট অমা, আধার কার্দ ১, মোবাইল ফোন ২ য়াওনা ফংলে হায়রি।

অমরোমদা, আই এ জি এ আর (ইষ্ট)কী মখাদা নোনে বট্টালিয়ন অসাম রাইফলস অমদি মণিপুর পুলিস য়াওবা কম্বাইন্দ টিম অমনা লোংফাইলুন এরিয়াদা থিবা হুম্বা চথবদা নাইন এম এমগী পিষ্টোল অহুম, হেন্দ গ্রেনেদ অমা, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরুগা কোন্নবা ফংলে হায়রি।

চীফ মিনিষ্টরস গ্রীন মণিপুর মিসনগী থৌরম পাঙথোক্তুনা উ চারাশিং থাখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস): ককচিং দিষ্ট্রিক্টক লমজাও মখা শান্নবুংদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট অমদি ময়েং লমজাও গ্রাম পঞ্চায়টকা পুন্না খুৎশম্নদুনা চীফ মিনিষ্টরস গ্রীন মণিপুর মিসনগী থৌরম লমজাও মখা কম্যুনিটি হোলদা এৱ্যেৰ্নেস পাঙথোকপগা লোয়ননা মীয়ামগা উ চারাশিং থাদুনা হৌদোকখ্রে।

অজাদি কা অম্রিট উটসবকা লোয়ননা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা রেঞ্জ ফোরেষ্ট ওফিসর, ককচিং নাওরেম মুনাল মৈতৈনা অথোইবা মীথুং, গ্রীন মণিপুর মিসনগী ব্রান্দ এম্বেসেদর, ভেলেন্টিনা এলাংবমনা অথোইবা লেংবীরকপা অমদি ময়েং লমজাও গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান উরিৎখিংবম নরজীৎ লুৱাংনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা পাক শন্না উ চারাশিং থাবগী থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুং ওইখিবা নাওরেম মুনাল মৈতৈনা ফোঙদোকখিবদা, অশং অমাননা পীক থনবা ফজরবা মণিপুর অমগীদমক অমদি তুংগী মীরোলগীদমক চীফ মিনিষ্টরস গ্রীন মণিপুর মিসন হৌখিবা কুমজা ২০১৯গী জুন ১১দা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী সঙাইথেলদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হৌদোকপীখিবনি। হায়রিবা মণিপুর মহৌশা কনবগী অমত্তা ঙাইরবা ফ্লেগশিপ প্রোগ্রাম অসিগী মখাদা তম্পাক অমদি চীংগী দিষ্ট্রিক্ট পুম্নমকপু পুমশং শংহনবগী পান্দম থল্লি হায়নসু ফোঙদোকখি।

এলাংবম ভেলেন্টিনা, ব্রান্দ এম্বেসেদর, চীফ মিনিষ্টরস গ্রীননা তীনখিবা মীয়ামদা য়ারিবমখৈ উ-ৱাশিং য়ানবীগনু। তঙাইফদনা য়ানবা তারবসু উ অমদি উ-চারা ৫ শোয়দনা থাবীয়ু অমদি ঙসি থারিবা উ চারাশিং অসি ঐখোয় পুন্না হোৎনদুনা হৌহনসি হায়খি।

য়ু লিটর ৩৫০গা কোন্নবা ৫ ফারে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস): সপরমৈনা পুলিস ষ্টেসনগী ও সী অমদি এ এস আই, টি ঐচ দৌখানলিয়ননা লুচিংবা টিম অমনা ঙরাং নুমীদাং পুং ৭.২০ রোম তাবা মতমদা নেসনল হায়ৱে নম্বর-২গী খোলেপ জঙ্কসনদা লন্মীদা অচৎ-অওক চেক তৌবদা ইকো ভেন নম্বর য়াওদবা অমদা পুরকপা দি আই সী (য়ুঙৌ) লিটর ৩৫০গা কোন্নবা মীওই ৫ ফারে হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়, ফারবা মীওইশিং অদুদি সেনাপতিদগী পিশিনি মাও (৪৩), মপুরোইবা কাইহার মাও, চিতোনি (৫৬), মপুরোইবা লৈখিদ্রবা ইসু মাও, রুবম মাও (২১) অপোকপা জোন মাও, সামুয়েল পাসি মরাম (১৮) অপোকপা দাবা মরাম অমদি কাংবা মরাম (২১) অপোকপা খি মরামনি। মখোয়দগী ফারবা য়ুশিং অদু গেমনোম সপরমৈনাদা লৈবা এক্সাইজ দিপার্টমেন্টতা লোগী ওইবা থবক লৌখৎনবা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি। লন্মী অসিদা ময়াই কাবা অমদি লোনা য়াদবা পোৎলমশিং তোয়না পুথোক পুশিন তৌরে হায়বা পুলিসনা পাউ ফংবদগী নারোন্দা সেনাপতিরোমদা য়ু পুশিন্নবা হোৎনরম্বদগী ফাগৎপা ঙমখিবনি হায়রি।

ৱাটর সপ্লায় স্কিম অমা লমদিং খুমন্থেম লৈকায়দা থম্লগনি : সূর্য্যকুমার ওক্রম

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস): খাঙবোক এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না লৈরিবা লমদিং খুমন্থেম লৈকায়দা ওভরহেদ টেঙ্ক য়াওবা ৱাটর সপ্লায় স্কিম অমা থম্লগনি হায়না খাঙবোক এ সীগী এম এল এ ওক্রম সূর্য্যকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি লমদিং খুমন্থেম লৈকায় দিভেলপমেন্ট কম্মিটিনা শীন্দুনা লৈকায় অসিদা লৈবা মীয়ামগী পুখ্রি অমা নৌনা ফেন্সিংনচিংবা খাজিন্দুনা হৌনবী মতুংইন্না পুখ্রি হোংবগী থৌরমদা থৌরম মপু ওইনা শরক য়ারদুনা এম এল এ সূর্য্যকুমারনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, খাঙবোক এ সীগী মীয়াম অসি য়াম্না শিংবা, অফবা মীহুৎ খনবা হৈবা মীয়ামনি। মণিপুরদা চহী ১৫ চুপ্পা খ্বাইদগী মতম শাংনা সী এম ওইরম্বা ও ইবোবী অসি খাঙবোক এ সীগী মীয়াম্না মীহুৎ ওইনা থাগৎপীরকপনি।

মহাক্কী অপোকপা অমসুং অপোকপীনা এ সী অসিগী মীহুৎ ওইখিবা মতমশিং অদুদা মীয়ামগী নীংবা থুংদবা কয়া লৈরমগনি। অৱাৎপা কয়া অদু মেনখৎচগে হায়বগীদমক মহাকসু এম এল এ ওইখিবনি। হৌখিবা চহী ৪ খরা হেল্লকপা অসিদা এ সী অসিগী মীয়ামগীদমক লৈঙাক্লা থাদরকপা ফন্দ অদুনা চাউখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎপদা কোন্নদবা মতাং লাকপদা মহাক মশাগী ফুরিৎখাওদগী ফাওবা শেল পুথোক্লগা মীয়ামগীদমক শেমগৎ-শাগৎপগী থবক কয়া পাঙথোকচখি। শেমগৎ-শাগৎপদা চাম্মাদা চাম্মা মীয়ামগী নীংবা থুংদবা য়াই। মীয়ামগী মতেং য়াওদনা এম এল এনা নৎত্রগা মীহুৎ অমনা করিগুম্বা অমত্তা তৌবা ঙমজবা নত্তে। মখা তানা খাঙবোক এ সীগী মীয়াম্না মহাকপু শৌগৎপীয়ু হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা সঙ্গাইয়ুন্ফম জিলা পরিষদকী মেম্বর এম দি হিবজুর রহমন (অঙৌ), সঙ্গাইয়ুন্ফম পার্ট টু জি পিগী প্রধান এম দি ৱাহিদুর রহমন, জি পি অসিমক্কী ৱার্দ নম্বর ১গী মেম্বর কে ঐচ দেবলা অমদি ৱাংজিং লমদিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী হান্নগী কাউন্সীল্লরশিং ৱাই ইবোপিশক, সগোলশেম শান্তিবালা অমদি লৈকায়গী অহলশিংনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি হোংলিবা পুখ্রি অদু খাঙবোক এ সীগী হান্নগী এম এল এ, ও লনধোনি অমসুং এম এল এ ওক্রম সূর্য্যকুমারগী মীৎয়েং মখাদা তৌবনি।

তুংদা, ৱাংজিং-তেন্থা লম্বী পরিংগী খুমন্থেম লৈকায় খোংনাং লৈরক মপাদা সঙ্গাইয়ুন্ফম জেদ পি মেম্বর হিবজুর রহমননা থার্দ ষ্টেট ফাইনান্সকী শেল্লুং মখাদা নৌনা শাবা মী ঙাইফম শঙ অমসু এক্স-এম এল এ, ও লনধোনি অমসুং এম এল এ সূর্য্যকুমারনা হৌনবী মতুংইন্না শঙ্গারগা মীয়ামদা খুৎশিন্নখি।

কে সী পি (নোয়োন)গী কাদর ১ ফারে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিস কম্মান্দোগী টিম অমনা ঙসি অয়ুক পুং ৫.৫০ রোম তাবা মতমদা কে সী পি (নোয়োন)গী কাদর অমা ময়াং ইম্ফাল কোঞ্চাই অৱাং লৈকায়দগী চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেদকা কোন্নবা ফারে হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়, চপ চাবা পাউ অমা ফংবদগী ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিস কম্মান্দোনা ঙসি ময়াং ইম্ফাল কোঞ্চাই অৱাং লৈকায়দগী ফারবা নুপা অদুগী মমিং হৈস্নাম নুংশিবা এলিয়স ননাও মৈতৈ (৩৪) কৌই। মহাক ময়াং ইম্ফাল কোঞ্চাই অৱাং লৈকায়দা লৈবা ঐচ তোম্বগী মচানুপানি। মঙোন্দগী চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেদ অনী, দিটোনেটর ২, মোবাইল হেন্দ সেট ২ য়াওনা ফংলে হায়রি। হৈস্নাম নুংশিবা এলিয়স ননাওনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না মহাক কুমজা ২০১৭তা উপোকপী খুলদগী বোবো এলিয়স খম্বা কৌবা অমগী খুথাংদা কে সী পিদা য়াওখিবনি। হৌজিক্না ম্যান্মারদা লৈবা কে সী পি (নোয়োন)গী সেল্ফ ষ্টাইল মেজর লেম্বা কৌবা কম্মান্দর অমগী মখাদা থবক তৌবনি হায়রি। মহাক মখা তানা লিগেল এক্সন লৌখৎনবা ময়াং ইম্ফাল পি এসতা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

কোংগ্রেসতা য়াওখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্ব ০৪ (ঐচ এন এস): ৱাংজিং তেন্থা এ সীগী পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ৩৪/৩৭ ফুন্দ্রে ভিলেজদগী হান্না বি জে পিদা য়াওরম্বা মীওই ২২ কোংগ্রেসতা য়াওরকখ্রে। কোংগ্রেসতা নৌনা চঙলক্লবশিং অসিবু হান্নগী মিনিষ্টর মোইরাংথেম হেমন্তনা ঙরাং নুমীদাং ফুন্দ্রে হৈত্রোই কোলোনিদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা তরাম্না ওকখ্রে। থৌরম অদুদা ৱাংজিং তেন্থা ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী নৌনা খল্লবা প্রসিদেন্ট এস গোপেশ্বর, ৱার্কিং প্রসিদেন্ট ঐচ কুঞ্জকিশ্বর, ভাইস প্রসিদেন্ট এম মুনাল, ভাইস প্রসিদেন্ট এন জুগিন্দ্রো স্পেসল কন্ট্রেক্টর, এদভাইজর এল শ্যামোসু শরুক য়াখি।

মপোক কুমওন

ইম্ফাল, সেপ্টেম্ব ০৪ (ঐচ এন এস): পৌরাবি য়াইফ নহারোল কাঙলুপকী ৩৫শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুদা পৌরাবি য়াইফ নহারোল কাঙলুপকী প্রসিদেন্ট দল্লিয়ু হেমন্ত, ভাইস প্রসিদেন্ট কে কলাচান্দ অমসুং এদভাইজর এল মাইপাক্স দেজ মেম্বরশিং ওইখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা লৈখিদ্রবা লূপ অসিগী ফাউন্দর মেম্বরশিংদা হৈকৎ-লৈকৎ অদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

এৱ্যেৰ্নেস কম ট্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস): য়ুম-য়ুমশিংদা শীজিন্নরিবা চাকথোং গ্যাসশিংদগী থোক্লক্কদবা মৈহৌ লাংপোক অমদি মতৌ করম্না চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদগে হায়বগী মতাংদা লিশাং শিংনা চথরকপা এৱ্যেৰ্নেসকী শরুক অমা ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা চঙাঙ্গৈ কবুই খুল ভিলেজ ওথোরিটিনা শীন্দুনা চঙাঙ্গৈ কবুই কম্যুনিটি হোলদা নোংমগী ওইবা এৱ্যেৰ্নেস কম ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

ওল গ্যাস ক্যের (এ জি সী) মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকা খুৎশম্নদুনা কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা লৈঙাক্লা পীবা এস ও পিশিং ঙাক্লা পাঙথোকখিবা প্রোগ্রাম অদুদা এ জি সী মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী ষ্টেট মেনেজর এস ঐচ জয়প্রকাশ, এদভাইজর এস ঐচ তোম্বা অমদি চঙাঙ্গৈ কবুই খুল ভিলেজ ওথোরিটিগী চ্যেরমেন রোবিন বারিয়ন, সেক্রেটরি কিনথুই বারিয়ন, পাষ্টর কপাঙাই কামৈ অমসুং নুপীশিংনা শরুক য়াখি।

'হাও টু য়ুজ এন্দ হাও টু টেক ক্যের এল পি জি গ্যাস' হায়বা থীমদা পাঙথোকখিবা প্রোগ্রাম অদুগী শরুক অমা ওইনা এল পি জি গ্যাসশিং নীংথিনা লুনা নান্না শীজিন্নবা অমদি মৈহৌ লাংপোক থোক্তনবগী মতাংদা মচা খায়না ৱা ঙাংদুনা এ জি সীগী এক্সপার্ট ওইনা লাকখিবা ষ্টেট মেনেজর এস ঐচ জয়প্রকাশনা মতৌ করম্না শেম শাগদগে হায়বগী মতাংদসু খুলগী মীয়ামদা তাকপী তম্বীখি।

য়ু সী এমনা লৌমীশিংগী ট্রেনিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস): য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম)না লমদম অসিগী লৌমীশিংবু পূক্লিং থৌগৎপা অমদি চীঙাক্তা মীপাল তাঙদবা লমদম অমগীদমক লেপ্তুনা চথরকপা থৌরম অমা ওইনা য়ু সী এমনা ঙসিসু থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকায়গী অকোয়বদা লৈরিবা ক্লবশিং এস ঈ সী দি ও, কে আর সী, ৱাই ভি এ অমসুং কে ঈ দি এগা খুৎশম্নদুনা নোংমগী ওইবা লৌমীশিংগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকায় লাইবুংদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল ৱার্দ নম্বর ৩গী কাউন্সীল্লর পুয়াম জোতে, য়ু সী এমগী প্রসিদেন্ট জয়চন্দ্র কোন্থৌজম, এস ঈ সী দি ওগী প্রসিদেন্ট এন বোরোজাওবা অমদি ইপসা থৌবাল ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট এ কে বিশ্বজিৎনা অথোইব মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি। অদুগা এ টি এম এ থৌবালগী এল গোরভাচোভ, কে ভি কে থৌবালগী ডা. দল্লিয়ু জিতেন অমদি দেপ্যুটি দিরেক্টর আয়ুশ ডা. এস বিশ্বনাথনা রিসোর্ছ পর্সননশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা য়ু সী এমগী মায়কৈদগী মফম অদুগী লৌমী কয়াদা হার (য়ুরিয়া), নিংথমগী মরু-মরাং কয়া অমদি আয়ুশকী হিদাক লাংথক কয়াসু তেংবাঙলমখি।

ব্রাউন সুগর শুংবদা মতেং পাংবা ১সু ফারে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস): থৌবাল মোইজিং অৱাং লৈকায়দা লৈবা মোহম্মদ দৌলট খান (২২) অপোকপা লৈখিদ্রবা এম দি অল্লাওদ্দিন কৌবা অমগী য়ুমদা ব্রাউন সুগর শুংলম্বদগী নার্কোটিক্স এন্দ এফেয়র্স ওফ বোর্দর পুলিস (নাব)না হৌখিবা ওগষ্ট ৩০গী নুমীদাং পুং ১১.১০ রোম তাবদা ব্রাউন সুগর শুংবগী মচাকশিংগা কোন্নবা ফাগৎখ্রবা মতুংদা ঙরাং থৌদোক অসিদা চেন্নবা মীওই অমসু নাবকী কাঙবুনা ইম্ফালগী নোর্থ এ ও সীগী তম্ফা হোটেল মনাক্তগী ফারে হায়রি।

নাবনা ফারবা নুপা অদুগী মমিংনা এম দি মুক্তা সরিফ (২৩) অপোকপা এম দি অকবর খান কৌই। মহাক থৌবাল মোইজিং লৈঙোইজিলদা লৈবনি। মঙোন্দগী এম্মোনিয়ম ক্লোরাইদ সোদিয়ম বট্টল ৩৬ য়াওবা কার্টুন বোক্স ২, এম্মোনিয়ম ক্লোরাইদ লিটর ১ য়াওনা ফাগৎলে হায়রি। মঙোন্দা ৱাহং-পাউহং চথবদা মহাক্না গুৱাহাতিদগী ব্রাউন সুগর শুংবদা শীজিন্নবা মচাকশিং অদু পুরকপনি হায়রি। মহাক মখা তানা ৱাহং-পাউহংগী থবক চথুরি। পনবা য়াবদি, এম দি দৌলট খান ফাবা মতমদা মঙোন্দগী মোর্ফিনেটেদ সোল্যুসন লিটর ৫০, গ্যাস ফ্রেম অমা, গ্যাস সিলিন্দর অমা, ৱুদন প্লঙ্ক অমদি ব্রাউন সুগর শুংফম কিটচন লেবোরেটেরিদগী ফাগৎপা ঙমখিবনি হায়রি।

মীতৈবু এস টিগী লিষ্টতা চন্নবা মণিপুর লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা সেন্টরদা রেকমেন্দেসন থাবীগদবনি : এম এস এ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস): মীতৈ ফুরুপকী তুংগী মরাইবক্কীদমক খন্থবীরগা মণিপুর লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা মীতৈবু সেদ্যুল্দ ট্রাইবকী লিষ্টতা চন্নবা সেন্টরদা রেকমেন্দেসন থাবীগদবনি হায়না মীতৈ ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (এম এস এ) মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী প্রসিদেন্ট চোংথাম দীপুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থেংলবসু থেংনা ফুরুপচাশিংনা মশানা মশাবু কঞ্জনবগীদমক এস টি কেটেগোরিদা চন্দুনা কন্সটিট্যুসনগী ঙাক্লৌ থমহৌবনা অশেংবা খোঙথাং ওইগনি হায়দুনা লাউরল্লিবা খোল্লাও অসি মীতৈ ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনসু শৌগৎতুনা লাকখিবনি। লৈমিন্নরিবা ঈ মরীশিং অসি ঈহৌ অসিবু লান্না উহনবীদনবা খঙহঞ্জরি। ঈহৌ অসি অদুঙৈ মীৎয়েং শানবা ৱাৎপা ইপা-ইপুশিংগী চেকশিনহৌদবা খোঙফম অমখক চুমথোকচদুনা অরিবা য়েলহৌমী ওইরিবা মীতৈ ফুরুপ অসিগী লোল, শক্তম, নাৎ, চৎনবীনচিংবা কঞ্জনবা খোঙথাং অমখকনি। কুমজা ১৯৪৯দা মণিপুরনা ইন্দিয়াদা হেক তীনখিবা মীকুপ্তুদগী মীতৈ হায়বা ফুরুপ অসি মাইনোরিটি ওইদুনা লাকখ্রবনি। মেনলেন্দগী নাৎ, চৎনবী অমসুং দেমোগ্রাফিগী অকনবা শাফুদগী ঙাকথোকচননবা ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসন্না অপীকপা য়েলহৌ ফুরুপশিংদা পীরিবা সেদ্যুল্দ ট্রাইবকী ঙাক্লৌ অসি ফংহৌবনা ফুরুপ অসি কঞ্জননবা পান্থৈ ওইগনি। থিন্থুপ্পবদি ঙসি মশাগী মরমদমদা ফাওবা খুদোংচাবা খুদিংমক মৎপীদুনা মীতোপকুম হিংবা হৌরক্লবা মীতৈ ফুরুপ অসিগী কাংখুল নোংমদি মুৎখিবা তাবনি। ফুরুপ অসিবু থম্মোয় শেংনা নুংশিজবা তুংগী মীরোলগীদমক খনবা ফুরুপচাশিংনদি ঈহৌ অসিবু শোয়দনা শৌগৎনিংলমগনি অমসুং শৌসু শৌগৎপীরি। অসিগুম্লবা য়াম্না দেম্যোক্রেটিক ওইবা এপ্রোচ অমদা মতম কয়া চঙনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিবু হন্থুনা খনবীদুনা ওথোরিটিসু নত্তনা নাকলদগী ওথোরিটি শাদুনা ৱাকায় তৌবীরকপশিংসু তোকপীরো। ফুরুপ মনুংদগী ৱাখল ৱাংবা শাদুনা গ্রাউন্দ রিএলিটি অমদি কম্মন সেন্স য়াওদনা ঙাংবা লেপ্পীরো। মীতৈ ফুরুপ হায়বসি অরেং-অরেংবা পুখরক্লবনি। পংমুক্তা মুক্লিঙৈ মমৈথংদা মীতোপনা লোইনা মুনখিদুনা কাং-খোং চাইদুনা তোকহৌরগনি।

অমরোমদা, লিশাং শিংনা হিংমিন্নরক্লবা ফুরুপশিংগী মরক্তসু পুন্না হিংমিন্নসি হায়রবদি ফুরুপ অমনা অমবু ঈকায় খুম্নদুনা নুংশিনা তেংবাঙনবা চঙগনি। অদুদি নত্তদুনা ঐখোয়দি নুংঙাইরগা লোইরে নোইগীদি খন্দে হায়রক্লবদি লৈমিন্নরিবা য়েলহৌ ফুরুপশিংগী মরক্তা চাউনা অকায়বা লাক্কনি। লৈবাক্কী অরুবা তাঙ্কক কয়াদা অয়েৎপা পীজরগা নুংঙাইবা দবল গেম শান্নবা মীওই খুজোক খরনা চুমগেরা লানগেরা মীতৈনবু তৌরবদি য়েৎতুনা লৈগনি হায়বগী মওং উৎলকপসি লাইবক থীবনি। ঐখোয়সু ঐখোয়না ফংনিংলিবদু ফংদবা য়াদে হায়রকপা তাবনি। ঐখোয়গী হিংবা অমসুং শিংবী ৱাহং ওইরক্লবনি। চঙশিল্লিবা ঈহৌ অসি মরম চাই নৎত্রগা চাদে অমসুং পান্দম অসি ফংফম থোকই নৎত্রগা থোক্তে হায়বদুদি লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিনা লেপচসনু। ঐখোয়গীদি হোৎনফম থোকপা হোৎনমিন্নসি। নাকলদগীদি ককশাবী শাবীরক্নু।

ঈহৌ অসিগী নুংগী অশানবা মীৎয়েংদি মীতৈ ফুরুপসু হিংবা অদুগা লৈমিন্নরিবা শক-চু, চাকচা-ঙাচা মান্নবা য়েলহৌ ফুরুপশিং অসি তেক্ত-কায়দনা নুংশি চান্নগা পুন্না হিংমিন্নদুবনি। অসিগুম্লবা মরম চাবা ঈহৌ অসিদা মীতৈ ফুরুপকী লৌমী-শিল্পী, ওজা, মহৈরোয়, অইবা, ৱাঙাংলোয়নচিংবা সেক্সন খুদিংমক্না ঙসিদি শৌগৎফম থোক্লে। ফুরুপ অসিবু ফুরুপচা ঐখোয়না কলহৌদ্রবদি তুংগী মীরোলশিংনা ঐখোয়বু থিনা চেহৌরগনি। লৈমিন্নরিবা ফুরুপচাশিংদা তেংবাঙবা ঙম্নবা ঈশাগী ফুরুপ হান্না খোঙফম শেম্বা তঙাইফদে। মদুদতা ফুরুপ অতৈনসু ঈকায় খুম্নরক্কনি। ঈশাগী ফুরুপ ফাওবা কনবা ঙমজদ্রবদি ইৰৈবাক কনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবসু মাঙখিবা তাবনি। অদুনা য়েৎচনিংবা খরনা মথৌ নত্তনা মথৌ শাজহৌরসনু। ঐখোয়গীদি মতম নাম্থোকখিদ্রিঙৈ ফুরুপ অসিবু কন্নবা লৈঙাক্লা লৌখৎফম থোকপা থৌদাং লৌখৎপীনবা থম্মোয় শেংনা তকশিঞ্জরি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

এম এল এ দিঙ্গোনা সেকমাই এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিবু মাঙজিল থানা চাউখৎনবা হোৎনরি : কম্মিটি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস): সেকমাই এ সীগী মনুং চন্না লৈবা লোইতাং খুনৌদা এ সী অসিগী তোঙান-তোঙানবা খুঙ্গংশিংদগী লাকপা নুপী লূপশিং অমদি খুঙ্গং কয়াগী লুচিংবশিংনা এ সী অসিগী এম এল এ হৈখাম দিঙ্গোগা লোয়ননা পুন্না ফম্মিন্নদুনা চাউখৎ থৌরাংগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে।

ঙসিগী খন্ন-নৈনবা অদুদা এ সী অসিগী তোঙান-তোঙানবা খুঙ্গং কয়াদগী লাকপা মীয়াম্না এ সী অসিগী এম এল এ দিঙ্গোদা থাজবা থম্মী হায়বগা লোয়ননা মথংগী লাক্তদৌরিবা ইলেক্সনদসু এম এল এ দিঙ্গোবু মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়খি। হৌজিক কোভিদ-১৯গী পেন্দমিক অসিনা থেঙ্খাং কয়াদা অয়েৎপা পীবগা লোয়ননা দিভেলপমেন্ট পুম্নমক কোভিদ-১৯গী লাইৎচনা চহী ২ মাঙখ্রবা তুংদা এ সী অসিগী চাউখৎ থৌরাং খোঙজেল য়াঙনা চঙশিনবগীদমক্তা এম এল এবু খুঞ্জাশিংনা থাগৎপা ফোঙদোকই হায়না ইলেক্সন কোর কম্মিটিগী কন্ভেনরগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, সেকমাই এ সীদা ইমা কৈথেল অনী পুরকখি। কৈথেল অমনা কংলাতোংবী এরিয়াদা অদুগা অমনা অৱাং সেকমাইদনি হায়রি। সেকমাই এ সীগী মীয়াম্সু চপ মান্নবা য়েংই হায়বগী ময়েক লারবা খুদমনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা এম এল এ ওইজরবসু মহাক্কী অঙম্বা থাক্তা হোৎনদুনা মিনিষ্টর অমদগী তাদনা এ সী অসিগী খুঙ্গংশিং থোং মান্নবা চাউখৎনবা পুরকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা থল্লি হায়রি।